# ঐখোয়দা জননেতাগী লমন

## - টি ঐচ ইনাও -

কুমজা ১৯৯৬ অসি জননেতা হিজম ইরাবতকী বার্থ সেন্টিনরিয়র তাখিবনি। চহী অমা চূপ্পা পাঙথোকপা থৌরমনি, সেপ্টেম্বর ৩০, ১৯৯৬ - সেপ্টেম্বর ৩০, ১৯৯৭। চহী অসিগী মনুং চন্ননি ইরাবত সেন্টিনরি সেলেব্রেসন কম্মিটি মোরেনা থৌরম পাঙথোক্লবা শিনবগা লোয়ননা তাংবোগী জননেতাগী মোংফমদগী পুরকপা লৈবাক্তু সেলেব্রেসন কম্মিটি মোরে, কম্যুনিতি পার্টি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী কেদর কাঙবু, অতোপ্পা মণিপুরগী শক্লাইরবা মীওই খরা, মোরেদা লৈবা স্কুল, কোলেজ, ক্লব, সী এস ও, কলা সংস্কৃটিগী কাঙবু, কন্টিনজেন্টনা চৎপা মার্চ পাষ্টতা সলামি পীবা, কলা সংস্কৃটিগী কাঙবুনা শাবা ঈশৈ-জগোয়, খন্ন-নৈনবা মীয়ামগী অচৌবা থৌরম অমনা ওকপগা লোয়ননা লৈবাক্তু শিন্নরকখিবনি। মতমদু ঙসিগুম বর্মা চঙথোক-চঙশিন তৌবগী ইকোম কোন্বা খুদোংচাবা লৈত্রি। অদুবু য়াম্না লায়বদি মানবা, লায়দি লায়দবা, মতম চঙবা প্রোসেস অমা তৌদুনা ফংখিবনি। মতমদুদা বর্মাগী নিংথিদগী ময়ূম হোংলক্তুনা বোর্দর মোরেদা লৈরবা মৈতৈ মচা ধনঞ্জয় কৌবা অমদা কুপ্পা ৱারী শাদুনা কন্টেক তৌনখি। মহাক্না বর্মাদা লৈরকপনা বর্মিজ লোল খঙবা অসুম্না মথং-মথং বর্মিজশিং য়াওনা তৌরকখিবনি হায়রি। অমনা জননেতাসি বর্মিজ রিভোল্যুস্নরিশিংনা লুনা তৌজখিবা মীশকসু ওইখি হায়রি। অদুনা ওইরম্বা তাই কুমজা ১৯৫১দা লৈখিদবা মীশক্তুনা শীজিন্নরম্বা পোৎ-চৈ অর্কাইবতা থম্বগুম থম্বিরল্লিবা। মখোয়না লৈবাক্তু শিন্নরকপদা জননেতানা শীজিন্নরম্বা লিচৈ, পেটি, তুপী য়াওরকখি হায়রি। তোঙান তোঙানবা জননেতাগা মরী লৈনবা ফোটো, মোংফমগী এরিয়া, নিংথি তুরেলগী শক্তম, ইরায় লায়না ওইরকখিবদি নত্তবা মাল্লি। পূম্নমক অসিবু ওইরক্লবা শিনবা কন্টেক তৌখিবা দরকার লৈবা খুদিংমক শিল-লাংবা কেমেরা পীদুনা ফোটো কাপহনলকখিবা মীশকনি। সেন্টিনরি সেলেব্রেসন কম্মিটি মোরেগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এল কুঞ্জবিহারি মতমদুদা মোরেদা লৈবা অশেংবা লৈফম্না শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তনি। নুংশিজরবা সেলেব্রেসন কম্মিটি মেম্বর পূম্নমক্কী মীং ২৭ লোইনা পঞ্জদ্রে ৱারৌবিরোই। অদুগুম্বা প্রোগ্রাম অদুদা পার্টিগী মায়কৈদগী য়াওখিবশিংদি - ঙাঙোম মোহেন্দ্রো, এক্স এম পি, মোইরাংথেম ইবোহল, খুন্দোংবম জুগেশোর পোৎশংবম, লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, ক্ষেত্রি ইবোয়াইমা, ফৈরোইজম পরিজাৎ, এল সোটিনকুমার, অতোপ্পদা এলাংবম নিলকান্ত, অরাম্বম মেমচৌবী অমদি অতৈ খরনি। খোঙচৎ অদুদা য়াওরুবশিং হল্লকপদা য়াইস্কুল মোইরাংখোম য়ৌরকপদা হায়নরকই, ঙসিমক পার্টি ওফিস য়ৌশিনবদি নুংঙাইত্রে, জননেতানা লৈজরম্বা য়ূম ইঙ্খোলদুদা নোংমা নীনিদসু লৈজসনু, ৱাফম অসিগী ৱাখল্লোন অমদি ৱাহন্থোক অসি অতৈ নত্তে জননেতাসি ময়ূমদা হল্লক্লমদ্রবনি। অসুম্না ময়াম চঙখিবদা জননেতাগী মচানুপী রুহিনিনা মফমদু শেংদোক্তুনা, ৱাই তৈথোক্তুনা, ফক্লোং খাজিন্দুনা লৈবাক্তু থমখি। মার্চ ৪দা মফমদুদগী পুথোরক্তুনা ইম্ফাল বি টি রোদতা লৈবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ওফিস ইরাবত ভবন্দা য়ৌরকখি। লৈবাক অদু ফুল্লিবা মফমসিগী মথক্তনি জননেতাগী ষ্টেচু খিল্লিবসি।

হোংদোকপা লুবা, য়ারসু মতম চঙবা, ইনবা চৎতবা অমা হায়রগদি থাজবা, থাজনবী অসিসু অমনি। থাজনবী অসি ঐখোয় খক্তগী নত্তে, মালেম পূম্বগীনি। ইন্দিয়াগী পোলিটিসিয়ন অনী অহুমগী মোংফমগী উৎ ত্রিবেনি শঙ্গমদা থাদবা হেলিকোপ্টরনা হিমালয় চীংশাংদা চাইবগী ৱারী পাখি অদুবু করিসু নত্তে। হৌখিবা কুমজাশিংদা জননেতাগী থাবুম থৌরম হৌদোকপা সেপ্টেম্বর ১ অসি তোঙান তোঙানবা মফমদগী পার্টিগী মীফমগা লোয়ননা হৌদোকখিবা লৈ। অদুবু কুমজা ১৯৯৭তগীদি অয়াম্বা মতমদা ইরাবত ভবন ষ্টেচুগী মমাঙদা হৈকৎ-লৈকৎ তম, তর্পন কৎতুনা হৌদোকখি। নুমিৎ অদুদগী কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মসা-মরেং লৈবা মফমশিং লন্নাই ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এসোসিএসন, স্কুল-কোলেজ, মণিপুরগী কাচিন-কোয়া, অতোপ্পা ষ্টেটশিং ত্রিপুরা, অসাম, বাংলাদেশ, মৈতৈ তাবা মফমশিংদা লমদমদুগী মীয়াম্না লুচিংবা অসিগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী মনুং চন্না খন্ন-নৈনবা, ঈশৈ-নোংমাই চাংদম্নবা, রেসিটেসন কম্পিটিসন, শৈরেং শৈদিন্নবা, সেমিনার, শান্ন-খোৎনবা কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি, পাঙথোক্লরি। অচৌ-অচৌবা লূপ কয়ানা, অইবা কয়ানা অহিংবা লৈনমগুম পাউজেল কয়া পীনরক্লি, নীংশিং হৈরাং হৈতম্লক্লি। য়াম্না নুংঙাই, থাবুম-থাবুমদুনা পুমনিল-নিল্লি পাউচে, ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া অমদি মফম খুদিংদা অঙাংবা ফিরালনা ৱাই চাইখি। পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অসি মপা লাকপদগী হেন্না ওইথোক্লা পাঙথোকপা ঙাক্তনি। মগুন লৈবা লুচিংবা অমদি ওইবা জাৎনিকো জননেতাসে। অদুবু খুন্নাইগী লুরবা লানফম কয়াদা লৈবাক মীয়াম্না ৱারেপ লৌবা মতমদা লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোনবুদি হেক-হেক ইন্থোক্তুনা থম্লম্লি, মসিনা করিনো হংনীংহল্লি।

মপাউবু শক-শোল্লম্বা, অদুনি-অদানি, পুকচাক্কী, লৈঙাকলোনগী, শূরি-নোল্লিবগী, নুপীগী, খুন্নাইগী তুংলমচৎকী থৌরম য়াওরুবা, অতাবা পূম্নমক্কী পূক্নিং ৱাখল থম্মোয় খনখিবা ৱারীনখিবা, চিনবান্দা শোনখিবা ঙাক্তনি। চুম্মী-চুম্মী, তৌবতবু মীকুপ অদুগী ঈথিলদু কয়া কুইননো মীওইদুগী ৱাখলদা তুংদুনা লৈবা অমদি মীৎয়েং, ৱারেপ্পা করি? পূম্নমক চপ লেপখ্রবনি সেপ্টেম্বর ৩০দগীদি য়াওশঙ লোইবগুম। হায়না হায়নবু য়াওশঙদি মতৎ-মতৎ থা অমা চোন্থনা ধোন, সাইদ-দ্রম, বেন মখোল তাই নুমিদাং অথেংবদা, ফুন-চৈনবা কুমগী নোং লাক্লবকান্দদা তোক্লিবনি। মঙানি য়াওশঙনা থা অমা চোন্থরবদি জননেতা নীংশিং থৌরমদি থা খরা চোন্থফম থোকই, কনা অমত্তনা হায়দে। ৱারী ৱাতাইনি খঙদে অমনি খঙদে, চোন্থবদা লোইগদবসু নত্তে, হীরম লৈতবসু নত্তে মীওইবনা হিংবা হায়বসিদা নৈনরমদবা, তাক্লমদবা য়াওব্রা? খরা চোন্থনা নৈনরম্লবা পূক্নিং ৱাখলদা ফাওখিবা, চিনবান্দা শোনখিবা মীকুপ্তুগী ৱারেপ্তুদংগা লৌবিরম্লবা ঙসি য়েংলু য়েংলু খুদিং লুচিংবা লৈতবা লৈবাক ওইবগী হৌনবা ওইদা-পাদবা, চৎন-কাঙলোন নত্তবা, আইন লৈতবা, অরোন অথুপ্পা থনবা মালেমগী মফম অমত্তদা থোক্তবা থৌদোক ৱাথোক থোক্তুনা ইকায় ফিরুক খুম, লৈকংলা ওল্লবা ইরমদম মণিপুর সনা লৈবাক ওল্লোইদবগী মরম লৈতে। মরমদি জননেতাগী পুন্সিদি ফিদম্লিংঙাইতনা য়োম্বনি। ৱাখল মীৎয়েংসু থবকনি। মীয়াম্না খঙবীরিবনি, ইরাবত অঙাং ওইরিঙৈ মহৈরোয়গী পুন্সিদা ওজানা মহৈরোয় থীনা ফূবা করিগীনো হায়বা ৱাহংসিদগী হৌরক্লে মহাক্কী ষ্ট্রগল থেংনবা, মগুন চৎলকপা। অসুম্না মতম খরা ধাকাদা লাইরিক লাইশু তম্লুরবা মতুংদগীদি মহাক্কী খোঙথাং অওনবা, অহোংবা মশেক মঙাল লৈবা মীশক ওইরকখি। নহা অমা ওইনা শান্ন-খোৎনবা, অইবা, লীলা-দ্রামা, খুন্নাইগী চৎনবী ধর্ম্মগী মায়োক্তা, নিংথৌগী হেঞ্জিনবা চৎন-কাঙলোন, মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা মহাক্কী নৈন মীৎয়েং, থবক হীরম কয়াদা লৈনম চেনবা মীশক ওইরকপদগী লৈকুৎ লৈরাইদা শাইদাংলগা লৈরম্বা ইরাবত অৱাংবা থাক্কী ফীদা ফংদুনা রাজভোগ চাখি, মসি পূম্নমক ইরাবতকী মচৎননি। অদুবু মহাক মদুনা পেনখিদে হন্না হন্না য়েংলকখি খুন্নাইগী পুন্সিদা। অদুগা হেন্নদুম খোইরাং খোইশাওনখি। মরম অদুনা অচিকপা তাঞ্জাদা ৱাখলগী তময়াদা ফাওরকখি কোক্তা, উরকখিবা মীৎতা লৈকুৎ লৈরাইদা লৈহৌরিবশিং, রাইট মৎপীরবা পুন্সি শিন্থাদা মনিং তমজদ্রবা, খুন্নাইরোল থৈদোক থৈজিন তৌবা তোল্ল-তারবা নৈবিরবশিংগীদমক, হেন্না হেন্না করিগুম্বা অমনা ইল্লকপগুম ৱাখলদা, খোঙদা-খূৎতা, শীংলি-নাওরি পূম্বদা। মরম অসিদগীনি মোন্দুম মোন্তেক অৱাৎ অপা লৈত্রবা মোমোন মীনোক্কী ফম্বাক্তুদগী চোঙথরগা চেল্লকখি খুন্নাইগী পুন্সিদা মীরক্তা অদুগা শকমিন্নখি য়াকাইরোল ঈশৈ নমথবীরবা থৱায়শিংগা অদুগা তৌরকখি খুন্নাইগী পুন্সিগী দাবী লোয়ননা শূবা-নোম্বা, শেন্মীৎলোন, পোলিটিক্স খুন্নাইগীদমক।

ঙসি মালেমদা চাওখৎলবা লৈবাকনি হায়না শীংথারিবা, মাঙজিল থারিবশিং অসি শূবা-নোম্বা করিনো, হীরম অমদা শেন্মীৎলোনগী ইরম লৈরবা পোলিটিক্সকী মায়োন চুম্বা লৈবাকশিং ঙাক্তনি। পিক্কে পিকউ, চাউগে চাউ লৈবাক অমগী ইকোনোমিগী য়ূম্ফম অমা লৈগদবনি। চাদনা হিংবা য়াদে, চরাম-চদৎনবা ময়াম লৈবা লৈবাক চাওখৎপা কৌদে। ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুর হন্না য়েংবদা ইমিদগী হেন্না উদবা হায়বদো, পোত্থোক লৈজদবা, শেন্থোকসু, হীরমসিদা ওইথোকপা য়াবা লৈরসু থবক্তা ওন্থোক্তে। ঙসিদি মমাঙঙৈ নৎত্রে, মীশিংসু য়াম্লে, নীবনা থাক কাবা য়ারোই, ঙসিবু মণিপুর নুংঙাইরিব্রা হায়বা ৱাহংসি মীওই কয়ানা খুল্লক্কদগে? খুল্লক্কদবা মান্দে অশোয়বা অমদি লৈরে তাক্লে। অদু ওইরবদি হীরম অদুদা খঙবা থিন্দুনা তাক্লম্বা মীশক অমগী মরমদা নৈনহৌবা হায়বসি তরানি চঙগদবদু মঙানিদা তেনশিনবা য়াই। অদুবু ঐখোয়গী মীয়াম অখঙ অহৈশিং খন্ন-নৈনরিঙৈ খনবা লোইরগা য়েৎতা চঙখিবদু ওইগী নাকোংদা থোকখিবগুম তুং উদবা খাঙবা ঙমদবগুম্বা, অরং অরাক ফংদি ফংলোইদবদা খুদোংচাবা মাঙগদবগুম খনবা মন্মী অমা তারিবসিনি লুরিবদি। মন্মী অসি সিষ্টম অসিনা তাহনবনি, মীখল মতমদা পংথরিবনি, মসিনি কেপিটেলিজম হায়বদু, কেপিটেলিষ্টশিং অসিনা তৌরিবনি।

কুমজা ১৮৯৬তা তাইবঙদা খোঙদারক পলেম পন্থৌগী লৈত-লায়র, অৱা-অনং মরক্তা য়াওঞ্জ, কাংদোং ফারকপা মীওই অসিনা খুন্নাই অসিবু উরকপা, য়েংবা হৈরকপদগী য়েংলক্লিবা মীৎয়েং অসিদি মথৌ য়াওবা মচিন তুম্বা মীৎয়েংনি অদুগা তুশোন মানশোন্নবা পুন্সিগী পাঙ্গল ঙাকলৌ ফৈরানা তুহৎ নৈহৎপীরবা লৈবাক মীয়ামনি। অথৌবা মীৎয়েংগী মতিক ময়াইদুনা নৎত্রা খুন্নাইলোই পূম্বগী হিংবগী নিংশাশ্বর চনিং তানা হোঞ্জবা ফংখিবা। মীওৎ মীনৈগী লাংদগী নান্থোকখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাদগী হিন্দু লৌথোকখিবা, মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচবা কনাগী দাবীনো? মহাক্কী পুন্সিগী থৌগায় পরেংশিং অসিদবু খঙলমগদরা থাবল লৈনম অহিংগী, নুপীগী শন্লাং মনম? খোয়রি লীনশাং নাওফম তাফম পোক্লফম লমদমসিদা নীংঙাইদনা হিংবা ফংখিদ্রবা কনাগীদমক। অসিগুম্বা মীশক অসিদা মণিপুরীশিংনা ঙসি ফাওবা মীনমদুনা লাক্লি। ঙসিদি মীনম থাদু অমুক লাক্লে। অসুক কুইবা সেপ্টেম্বর থাবুমগী অরোইবা চয়োলদা প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা য়াওখিবা পাউ লম-তু শেংবা, অচৌ অচৌবা থৌরম তৌফমশিং, ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দ, ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন, মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোল, চানা লুখোই আর্ট সেন্টর অতৈ মফমশিংদা উখিবশিং নুমিদাংদা মণিপুর তম্পাক্তা লময়ানবা অসিগী নীংশিং মপোক নুমিৎতা কৎখিবা, থানখিবা মৈরা মীৎতা শং-শংনা উখিবা শক্তমশিং অদুগী ৱাহন্থোক ফংদ্রি, উদ্রি, লৈত্রি। পূম্নমকশিং অদুগী ৱাহন্থোক ফংবা নুমিৎতুনি লময়ানবনা পেনগদবা, খুন্নাইনা লৈতাগদবা নুমিৎতু।

ঙসি ঐখোয়না মথোং-মরম খঙদনা তংলিবা মোদর্ন সিভিলাইজেসনগী মহাউ, মপাউ খুন্নাইসিনা ককঙাওনরিবা পূম্নমক মাঙজৌননা লাইপাউগুম চেনবিরম্লবনি। জননা, অপুম্বগী শক্তম লৈত্রক চৎলি ঙসিসু। ওইরক্কদবা খুন্নাই পাউ পীবিরম্বা নহাক পাঞ্জিনি ফুরুপ অসিগীদমক্তদি, নরমদম অসিগী নরৈচাশিং তুংগী মীরোলগীদমক ৱাজরম্বা লাংবন থাদা লাকপা, লাংবন থাদা হনখিবা, লাংবন থাদা ৱাথোক ওইবা নঙদি পোলিটিসিয়াননি অশেংবা, কথোকপগী মপা ফিদম্নফম ৱাৎতবা, মুৎনাইদনা ঙাল্লগদবা নোংপোক অতিয়াগী অরংবা থৱাননি। নঙগী পুন্সি ৱারীদা থেংনজবা খরা লৌখৎচা থাবুম অসিদা ইরৈচাশিংনা নগুনবু শৈথাবা, চেঞ্জ-চোংজবা, শকচ-শোঞ্জবা, পেন্দবা -ৱারৌবা, নুংঙাইবা পাউদম খরসিনা তর্পনগী হৈরাং-লৈরাং ওইজগে জননা কুমওন অসিগীদি। ●

---

## ষ্টেটকী পাউ

### ফ্লাইট ৭তা মীওই ৫৫১ রোম পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ৱাংমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫৫১ রোম ঙসি তোঙান তোঙানবা ফ্লাইটশিংনা ইম্ফালদা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩৫ রোম তাবদা অহানবা ফ্লাইট ওইনা (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬১, অনীশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ঈ-৪৫৭) তা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৪০ রোম তাবদা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭৯, অহুমশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ঈ-৮৮৯) তা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩৯ রোম তাবদা অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৯, মরিশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩২৩) তা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১৩, মঙাশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩২৩) তা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫৫ রোম তাবদা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫৪, তরুকশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭৯ অমদি তরেৎশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া ৭১৩) তা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬৫ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

### পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা শেলগী মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : ক্লাস ট্যুয়েল্ব তল্লিবা মহৈরোয় অমনা অহাঙবা মতমদা শম কক্তুনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনদুনা শেল তাল্লিবা মহৈরোয় অমবু লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

লাইরিক তম্না তম্না অহাঙবা মতমদা শম কক্তুনা শেল তাল্লিবা মহৈরোয় অদুগী মমিং খুমন্থেম হেমন্ত অপোকপা কে ঐচ সনাজাওবা কৌই। মহাক লমদিং খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবনি। লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা ঙরাং পূক্নিং থৌগৎতুনা শেলগী মনা অদু পীখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙসি অয়ূক লেৱা ক্লব অসিনা কোনবা এরিয়াদা লম-তু শেংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোয় অমদি ক্লবকী মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি।

### /শুম্মাং লীলাদা ডোক্টরেট ডিগ্রি ফংলে



লাইশ্রম ইঙোচা অপোকপা লাইশ্রম তোম্বা অমদি অপোকপী লাইশ্রম মাইপাকপী অরাপতি ময়াই লৈকাই, কৈরাও কেন্দ্রদা লৈবনা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুর, স্কুল ওফ হিয়ুমেনিটিজ রেজিষ্ট্রেসন নং ৭৮৫ ওফ ১৯৯৭ অসিগী মখাদা "শুম্মাং লীলাগী মশক অমসুং য়াওল" হায়বা হীরম অসিদা ডোক্টরেট ডিগ্রি ওগষ্ট ২৬, ২০২০ অসিদা ফংলে। মহাক্কী সুপরভাইজরনা ডা. লমাবম গোজেন্দ্র সিংহনি। মহাক্কী পি আইচ দি রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা ২৭৪০ ওফ ২০০৮ নি। শুম্মাং লীলাগী সিম্পেথাইজর ওইনা শুম্মাং লীলাবু য়োকখৎনবা, চাউখৎনবা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লি।

HL-C/6419/30

### /লৈখিদবগী মাপল্লকশুবা কুমওন

"ঐখোইগী থৱাই অসি করিগুম্বা খুৎলাই মখল অমত্তনা মাংহনবা ঙমদে, মৈনা চাকথেক্তুনা নৎত্রগা ঈশিংনা ফনা চামথোক্তুনসু মহাকপু কৈদৌনুঙদা মাংহনবা ঙমদে"।

ভগবৎ গীতা: ২/২৩



**শ্রী মাইস্নাম জিটেন্দ্র সিংহ**

(01/07/1942 to 30/09/2011)

Former Chief Engineer, PWD Manipur

নুংশিজরবা বাবা, নহাক্না ঐখোয় পুম্নমকপু থাদোক্তুনা শ্রী কৃষ্ণগী খুয়াখাদা ঈংনা চিক্লা মতম পুম্বগী ওইনা লৈখিবা ঙসি সেপ্টেম্বরগী তাং ৩০ অসিদা চহী মাপল মপুং ফারে। মহাক্কী পঞ্চ ভুতনা শাবা হকচাং অদুখক্তনি ঐখোয়গী ইরক্তগী চৎখিবা, অদুবু নহাক্কী ফিদম্লিংঙাই ওইরবা ৱাখল্লোন অদুদি ঐখোয়গী ইরক্তা মতম চুপ্পগী ওইনা লেংদনা, কাওজদনা লৈরি।

মসিনা ঐখোয়গী পুন্সিরোল অসিবু হেন্না মশক থোকপা থৌদাং খূদিংদা লমজিং মৈরা ওইদুনা ঙালহনবীয়ু।

মতম পুম্বগী সেবাদা

**শ্রীমতি মাইস্নাম ওংবী রা: কু: সনাতোম্বী দেবী (লোইনবী)** অমদি

| | |
|---|---|
| মাইস্নাম মানস সিংহ (মচানুপা) | মাইস্নাম ওংবী রতনা দেবী (মমৌনুপী) |
| নিঙোম্বম ওংবী ডা: জায়া দেবী (মচানুপী) | মেক্স নিঙোম্বম (মক্ষাকনুপা) |
| দায়াল মাইস্নাম (মচানুপা) | অনমোল মাইস্নাম (মশুনুপা) |
| অনীশা নিঙোম্বম (মশুনুপী) | অংকীতা নিঙোম্বম (মশুনুপী) |

**চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়, ইম্ফাল**

HL-P/7634/30


# APOLLO ACADEMY

*Moulding Medical & Engineering Career*

**ADMISSION OPEN**

**REGULAR MEDICAL COURSE**

FOR

**NEET(UG) ASPIRANTS - 2021**

* 20 STUDENTS PER CLASS (ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS)
* FREE STUDENTSHIP FOR MERITORIOUS STUDENTS (LIMITED SEATS)

*Forms available @* **Apollo Office.**

FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6389/ 19 Sept. to 3rd Oct.


GOVERNMENT OF MAIPUR
DIRECTORATE OF MINORITY AFFAIRS
1ST FLOOR SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, IMPHAL

**NOTIFICATION**

Imphal, the 25th September, 2020

No. E/7-Min/EDP/MA-2020: In pursuance of the Beneficiary Selection Committee's approval dated 18th March, 2020 it is hereby notified for information to all the concerned that the list of the selected beneficiaries for (i) Knapsack Sprayer and(ii) Poultry under EDP schemes of the Directorate of Minority Affairs, Government of Manipur for the year 2019-2020 have been declared and the same can be seen on the Notice Board(MA), Manipur and in official website: www.manipurminority.gov.in.

2. For details, please contact the scheme Officer(MA), Manipur during Office hours.

Sd/- **Ng. Bhogendra Meitei**
Director (MA)
Government of Manipur

HL-B/6421/30

GOVERNMENT OF MAIPUR
DIRECTORATE OR WELFARE OF OBC & SCS
1ST FLOOR SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, IMPHAL

**NOTIFICATION**

Imphal, the 25th September, 2020

No. D/8/EDP/OBC&SC-2019: In pursuance of the Beneficiary Selection Committee's approval dated 18th March, 2020 it is hereby notified for information to all the concerned that the list of the selected beneficiaries for (i) Knapsack Sprayer and(ii) Poultry under EDP schemes of the Directorate for Welfare of OBC & SCs, Government of Manipur for the year 2019-2020 have been declared and the same can be seen on the Notice Board(OBC&SCs), Manipur and in official website: www.manipurobcsc.gov.in.

2. For details, please contact the scheme Officer(OBC & SCs), Manipur during Office hours.

Sd/- **Ng. Bhogendra Meitei**
Director (OBC&SCs)
Government of Manipur

HL-B/6422/30


# ONLINE DRAFTING & EDITING

* NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH
1. Application drafting and editing for all purposes.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing articles for newspaper and magazines.
4. Drafting applications or representations.
5. Editing applications or representations.
6. Classes IX to XII home work and project work are also done to help students.
7. Translation from Manipuri into English.

** The above services are provided in English only through online.

For details please contact :
8974642764
Or write to :
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6353/4/9-2/10 (alt)


**HIGH COURT OF MANIPUR**
**AT IMPHAL**

**NOTIFICATION**

*Imphal, the 29th September, 2020*

No.HCM/R-5/2019-Estt.(II)Pt./ It is hereby informed that the Written Examination of Manipur Judicial Service Grade – I Recruitment Examination, 2020 which were scheduled to be held on 19th and 20th September, 2020 and remain postponed Vide Notification No. HCM/R-6/2019-Estt.(II)Pt./13350 dated 18th September, 2020 is rescheduled to be held on **17th** and **18th October, 2020** in Court Room No. 6 and 7 of the High Court of Manipur.

Schedules for the Examination are as follows:

| Sl. No. | Subject | Date | Time |
|---|---|---|---|
| 1. | General Awareness and English | 17-10-2020 (Saturday) | 09:30 A.M. to 12:30 P.M. |
| 2. | Law Paper – I | 17-10-2020 (Saturday) | 01:30 P.M. to 04:30 P.M. |
| 3. | Law Paper - II | 18-10-2020 (Sunday) | 09:30 A.M. to 12:30 P.M. |

All the Candidates should follow the Standard Operating Protocols issued by the High Court of Manipur vide Notification No. HCM/R-6/2019-Estt.(II)Pt./13151-62 dated 15th September 2020.

Sd/-
A. Guneshwar Sharma
Registrar General
High Court of Manipur

HL-B/6423/30